**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টেরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**••••••**

**প্রেস রিলিজ**

**ষ্টেট অসিদা ট্রাফিক পুলিসনা ট্রাফিকশিং ঙাক শেল্লিঃ সিএম**

**ইম্ফাল আগষ্ট ৪, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** চিফ মিনিষ্টর শ্রী নোংথোম্বম বীরেন সিংহনা হায় মদুদি ট্রাফিক পুলিসকী ওইনা সুপিরিন্টেন্দেন্ট অমা, এডিস্নেল এস পি অনি, ডি এস পি অমা, ইন্সপেক্টর ১, এস আই (নুপা) তরেৎ, এ এস আই ১৫, হেড কোন্সটেবল ১০ অমসুং পুলিস কোন্সটেবল ৮১ লৈ।

ট্রাফিক্কা মরী লৈননা খন্নরকপা ৱাহং পাউখুমগী সেসনদা হোমগী পোর্টফোলিয়োশু পায়রিবা চিফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেন না হায়খি মদুদি ষ্টেট অসিগী ট্রাফিক মেনেজমেন্ট, মরুওইনা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াদা তৌবা অসি ট্রাফিক পুলিসকী মথৌনি।

চিফ মিনিষ্টনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি ট্রাফিক পুলিসনা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌবা অমদি ইনভেষ্টিগেসন তৌবগী শক্তি লৈতে। মখোয়না ট্রাফিক্কী রিসিট পীবা খক্তমক তৌই অমদি কেসশিং অদু পুলিসতা শিন্নগদবনি।

ওপোজিসন এম এল এ শ্রী অলফ্রেড কাংঙম অথরনা হংলকপা অতোপ্পা ষ্টার ক্বেসন নংঃ ৯১গী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল অসি হন্দক্কী চহিদা ষ্টেট ফেষ্টিভেল ওইনা পাঙথোকখি অমদি মসি চহি-চহিগী ওইনা পাঙথোক্লগনি।

এম এল এ শ্রী সুর্জকুমার ওক্রমনা হংলকপা ষ্টার ক্বেসন নংঃ ৮২গী পাউখুম পীরদুনা হেল্থ মিনিষ্টর শ্রী এল. জয়ন্তকুমার সিংহনা হায়খি মদুদি গোভর্নমেন্টকী মেডিকেল কলেজশিং, হোস্পিটালশিংদা টেষ্ট মখল কয়া লেমা পাঙথোকবা থৌরাঙ লৈরে অমসি ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তরেৎ, সব-ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা, সি ঐচ সি ১৭, পি ঐচ সি ৫৪ অমদি ইউ পি ঐচ সি অহুমদা লেমা টেষ্ট তৌবা অসি পায়খৎপা হৌখ্রে। স্কীম অসিগী খরচ পূম্মক সেন্ট্রেল গোভর্নমেন্টনা পুথোক্কদবনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

স্কীম অসিগী মখাদা কাইথখিবা শেমফমশিংগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি সপ্লিমেন্টরি রেকোর্ডস ওফ প্রোসিডিংগী ওইনা চহি ২০১৫-১৬কী লুপা কোটি ৭.৮ অমদি চহি ২০১৭-১৮গীনা লুপা কোটি ৩.০ মণিপুর হেল্থ মিসনগী মখাদা কায়থোকখ্রে।

এম এল এ শ্রী অলফ্রেড অর্থর কাংঙমনা হংলকপা অতোপ্পা ষ্টার ক্বেসন নংঃ ৮৬কী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৭৫ (১) গী মতুং ইন্না চীংগী মফমশিংদা প্লান আউটলেশিং অমসুং অতোপ্পা মরী লৈনবা থবকশিংগী ওইনা ডিমাণ্ড নংঃ ১৪, ডিপার্টমেন্ট ওফ টিএ. এণ্ড হিলস কী মখাদা য়াওরে। মসিগী মথক্তা, লেশিংদা চীংগী মফমশিংগী ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী অমসুং অতোপ্পা এক্সপেন্দিচরশিংগীদমক গোভর্নমেন্টকী লৈরিবা ডিপার্টমেন্টশিংগী বজেটরি আউটলেদা চানা চানবা ডিমাণ্ডশিংগী মনুং চন্দুনা য়াওরি।

এমপ্লোয়িশিং এনগেজমেন্ট আফটর সুপরএন্যুয়েসনগী মতাংদা হংবা ষ্টার ক্বেসন নংঃ ৮৭গী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি গোভর্নমেন্ট অসিনা  থবক তৌবগী চহি হেল্লবা এমপ্লোয়িশিং অমুক হন্না রিএনগেজ তোয়না তৌবা অসি পূকিং থৌগৎতে। অদুবু হীরম হীরমগী মতুং ইন্না দরকার লৈবা মহৈ অমদি এক্সপীরিয়েন্স লৈবা মীওইশিং ফংলক্তবদা থবক্তগী পোথাখ্রবা এমপ্লোয়িশিংবু অমুক এনগেজ তৌবদি য়াওই। হৌজিক্কী ওইনা এমপ্লোয়ি ৫১ রি এনগেজ তৌরি হায়না মহাকা মখা তাখি।

এম এল এ শ্রী জয়কিষণ না থাংগৎলকপা ষ্টার ক্বেসন ৮৯ গী পাউখুম পীরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি চীংগী ডিষ্ট্রিক্টশিংদা হন্দক চৎলিবা অসি চীংগী মফমশিংদা গোভর্নমেন্ট অসিনা চাওখৎ-থৌরাংগী খোঙথাং পায়খলি হায়বসি মীপুম খুদিংনা খঙনবগী পান্দমদা চৎপনি। অসিগুম্বা খোঙচৎ অসিনা চীংগী মফমশিংদা পায়খৎলিবা থবক-থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিংবা ঙমগনি অমদি মখা তানা হেন্না ফগৎহনসু ঙমগনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

এম এল এ শ্রী কে মেঘচন্দ্রনা হংলকপা ষ্টার ক্বেসন নংঃ ৯০ গী পাউখুম পীরদুনা পি ঐচ ই মিনিষ্টর শ্রী লোসি ডিখোনা হায়খি মদুদি এন এল সি পি আর গী শেন্থং মখাদা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা সেনপতি ডিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎখিবা ৱাটর সপ্লাই স্কীম অসি তরেৎনি অমদি উখ্রুলদনা মঙানি  লোয়ননা এন ই সি গী মখাদা সেনাপতিদা অমা অমসুং উখ্রুলদনা অনিনি।

.....................................................................................................................

BEN/APO(P) No. 842 04/08/2017